# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 23-01-2025)**

**তমেংলোং (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা তমেংলোংদা চৎতুনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট ১৮ গী উরেপ উয়ুং তমখ্রে অমসুং প্রোজেক্ট ২৪ না শঙ্গাখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিনা মহাক্কী মন্ত্রি-মন্দলশিংগা লোয়ননা ঙরাং তমেংলোংদা চৎতুনা মফম অদুদা রাজ্য মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমসু পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা লুচিংবা মন্ত্রি-মন্দলগী কাংবুনা তমেংলোং জিলাদা লাক্তুনা অনৌবা প্রোজেক্ট কয়াগী উরেপ উয়ুং তমখিবা অমসুং খরগীনা শঙ্গাখিবা অদুবু মফম অদুগী লুচিংবশিং অমদি মীয়ামনা থাগৎপা ফোংদোকরক্লি।

তমেংলোংগী এম.এল.এ. জমহেনলুং পানমৈনা হায়-ভারতকী মনুংদা খ্বাইদগী শোত্থবা জিলাশিংগী মনুংদা অমা ওইরম্বা তমেংলোং জিলা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা বি.জে.পি. সরকার লাকপদগী হৌজিক্তি খোংজেল য়াংনা চাউখৎলক্লিবা জিলা অমা ওইরক্লি। লাক্লিবা চহি মঙাগী মনুংদদি তমেংলোং অসি মনিপুরগী গেটৱে অমা ওইরগনি হায়নসু এম.এল.এনা থাজবা ফোংদোক্লি।

তমেংলোংগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: মাজাচুংলুনসু মুখ্য মন্ত্রিগী খোঙচৎ অদুবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা অসুমা হায়-

জোইন্ট ত্রাইব কাউন্সিলগী ইগজ়কিটিব মেম্বর ওইবা লৈবাকচাউ বারিয়মনসু মুখ্য মন্ত্রিগী খোঙচৎ অদুবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা অসুমা ফোংদোক্লি।

**গভনর (এল)ঃ** লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতিগী চেয়ারমেন-মোইরাংথেম অশ্বিনিকুমারনা ঙরাং রাজ্যপাল-আজয় কুমার ভাল্লাগা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা

উন্নদুনা লোক্তাক পাৎ কন্নবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা পাউদমখ্রে।

রাজ্যপালনা এল.দি.এগী থবক থৌরমশিংবু থাগৎপগা লোয়ননা মখা তানা পাৎ অসি কঞ্জনবা হোৎননবসু খঙহনখি।

**আইএনএ(এল) ঃ** নেতাজি সুবাসচন্দ্র বোসকী ১২৮ শুবা মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা মোটোর সাইকল রেল্লি অমা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল মাইবমলোৎপা চিংদগী অসাম রাইফলসকী ৯ শুবা সেক্তরগী বিগ্রেদিয়ার-এ. বোরেলনা লমথারগনি। মোটোর সাইকল রেল্লি অদু মোইরাংগী আই.এন.এ. কমপ্লেক্স ফাওবা চৎকনি।

রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা শিনদুনা মোইরাংদা লৈবা আই.এন.এ. মারটিয়ারস মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা মপুং ওইবা পাঙথোক্কনি।

**হেলথ (এল) ঃ** সি.এম.ঐচ.টি. অমসুং পি.এম. জে.এ.ৱাইগী পোলিসি মেনেজর-ডা: ইরেংবম বিজেতানা হায়রি-লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদসু সি.এম.ঐচ.টিগী মখাদা কোনশিল্লে। মখোয়গী অধার অমসুং রিলিফ কেম্প অদুদা লৈ হায়না মরি লৈনবা দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিংনা পীবা শক্তাক চে শিজিন্নদুনা সি.এম.ঐচ.টি. কার্ড শাবা য়ারে।

**পোলুসন (এল) ঃ** নেসনেল প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেট এন্দ হ্যুমেন হেলথকী ষ্টেট নোদেল ওফিসার-ডা: নিভেদানা হায়রি-মহৌশাগী খল কায়থারকপদগী মীওইবগী হকচাংদা মখল কয়াগী লায়নাশিং থোকহল্লক্লি। নুংশিৎতা মোৎশিল্লকপনা শ্বর হোনবগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া থোকহল্লি।

ব্রোনকাইটিস, অস্থামা অমসুং লং কেন্সরনচিংবা লায়না কয়া অসি নুংশিৎ

শেংলক্তবগা য়ামা মরী লৈনৈ।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** ইন্টরনেসনেল ওবজারভেসন কমিতি ওন পুয়া মৈ থাবা (ইকোপ) না শিনদুনা পুয়া মৈ থাখিবগী ২৯৬ শুবা নীংশিং থৌরম ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী কৈনৌ লম অহিংবা লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগী হীরমনা রিমেম্বর, রিভিয়ু এন্দ রিভাইভ ফোর লফ, পিছ এন্দ ইন্টিগ্রীতি হায়বসিনি। থৌরম অদু ইকোপকী চেয়ারমেন-নোংদ্রেনখোম্বানা সলাই তরেৎকী ফিরাল চিংখৎতুনা হৌদোকখি।

**নোনে(এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসননা কোনবা কোংগ্রীলোং পার্ট টু খুলদা য়ুম অমা মৈনা চাকখ্রে। ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-থৌদোক অদু ঙরাং অয়ুক পুং ১১ হেনবা অদুৱাইদা থোকখিবনি। মৈ অদু সোর্ট সারকুইটতগী হৌরকপনি হায়রি।

**এদুকেসন (এল)ঃ** দাইরেক্তোরেট ওফ এদুকেসন (এস) না চহি খুদিংগী পাঙথোকপা ষ্টেট কম্পিটিটিব স্কোলারসিপ ইগজামিনেসন মথং থাগী ২৩ দা পাঙথোল্লগনি।

পারিক্ষা অসি ক্লাস থ্রি, ফাইব অমদি আইটকী মহৈরোইশিংগানি।

**রাজনাথ ঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-ইং ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ভারতপু চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা নহারোলশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

মাবেলিককারাদা ঙরাং সৈনিক স্কুল অমা শঙ্গাবগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসি লম কয়াদা মরোমদোম লেপচবা ঙমবগী খোঙথাংশিংগা লোয়ননা চাউখৎপগী মায়কৈদা লেপ্তুনা চংশিল্লি। হেলথ, কম্ম্যুনিকেসন, ইন্দষ্ট্রি,

ত্রান্সপোর্ট অমসুং দিফেন্সকী লমদা মরোমদোম লেপচবা ঙম্লক্লি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোকফমদা-এসেমব্লি সেসন মথং থাগী ১০ দগী ফমবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-চীফ মিনিস্তরনা তমেংলোংদা প্রোজেক্ট ২৪ শঙ্গাখ্রে, ১৮ উরেপ উয়ুং তমখ্রে, তমেংলোং-মহুর রোড শেম্বা লোয়রবদি নাগালেন্দ ফাওদনা গুৱাহাতি চৎপা য়ারনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-তমেংলোংনা মনিপুরগী গেটৱে ওইরক্লে হায়বা পাউনা অহানা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-বি.জে.পি. লিট গভরমেন্টতগী ৱিদ্রো তৌরে হায়না গভনরদা চে পীশিল্লুবা জে.দি.য়ু. মনিপুর য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট-কে.এস.ঐচ. বিরেন ফম লৌথোকখ্রে, বি.জে.পি. গভরমেন্টতা জে.দি.য়ুনা মপুং ফানা সপোর্ট তৌরি হায়না পাউ অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা-ইনক্কারি কমিতিনা রিপোর্ট পীখৎলক্লবসু মরি-মখোঙ খঙদ্রি, কুকি মিলিটেন্টশিংনা কিটনেপ তৌখিবনি হায়না চিংনৈ হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-২৯৬ শুবা পুয়া মৈ থাবা থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-গভনরগা এল.দি.এগী চেয়ারমেন-অশ্বিনিকুমারগা লোক্তাক পাৎ য়োকখৎপগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে হায়বা পাউ, পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-তমেংলোংদা কেবিনেট মীফম পাঙথোকখ্রে। প্রোজেক্ট ২৪ শঙ্গাখ্রে, ১৪ উরেপ উয়ুং তমখ্রে। ত্রিপুরাদা য়েলহৌমীশিং খুদোংথিবা নংখিবগুম মনিপুরদদি থোকহল্লোইসি হায়না চীফ মিনিস্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল তমেংলোংনা চীংগী জিলাশিংগী মরক্তা ব্লড বেঙ্ক লৈবা অহানবা হোস্পিতাল ওইরগনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-চীফ মিনিস্তর নোংথোম্বম বিরেন অমদি মহাক্কী কেবিনেটশিং তমেংলোংদা চৎতুনা প্রোজেক্ট কয়া উরেপ উয়ুং তমখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।